# লোক সভা স্পিকরনা দিসেম্বর ১১দা পার্টি পূম্বগী মীফম কৌরি



*ন্যু দিল্লি, দিসেম্বর ৫ঃ*
পালিয়ামেন্টকী নীংথম মীফমগী অহানবা নুমিৎ দিসেম্বর ১১দা লৱার হাউস অসিগী থবক নান্না চখনবগী অমত্তা ওইনা য়ান্নবা অমা শাগৎনবা লোক সভা স্পিকর সুমিত্রা মহাজননা পার্টি পূম্বগী মীফম অমা কৌখ্রে।

দিসিম্বর ১১দগী জনুৱারী ৮ ফাওবা চত্থগদৌরিবা নীঙথম মীফম অসিনা ২০১৯ লোক সাভা মীখলগী মাঙওইননা অরোইবা মপূং ফাবা মীফম অদু ওইরগনি।

ষ্টেট ৫গী এসেমব্লি মীখলগী ভোত মশীং থিবা দিসেম্বর ১১ অসিদা পালিয়ামেন্টকী মীফম হৌবা অসিগা নুমিৎ চপ মান্নরগনি।

অতোপ্পা পার্টি পূম্বগী মীফম অমসু রাজ্য সভা চিয়ার্মেন এম ভেনকয়া নাইদুনা কৌখ্রে। মসি অপ্পর হাউসতা মীফম ফজনা চখনবগী য়ানবা পুরক্কবা কৌখিবনি মীফম অসি দিসেম্বর ১১ দা পাঙথোক্কনি।

লেজিসলেচর অসিগী হাউস অনীমক্তগা মীফম মনূংদা লৌখৎন্নবা য়ারিবা হিরমশিংগী মতাংদা খন্নরকপদা কাংল্লোন চুন্না অপনবা লৈতনা চত্থবা য়ানবগী মত অমত্তা ওইনা য়ানবগী পান্দমদা মীফমশিং অসি পাংথোক্কদবনি।

লৈঙাক পায়রিবা বি জে পি অমসুং খ্বাইদগী চাওবা ওপোজিসন পার্টি কংগ্রেসনা মায় পাক্কনি হায়না কন্না মশোঙ ফন্দোক্লিবা ষ্টেট ৫গী এসেমব্লি মীখলশিংগী ফলশিং অদুনা পালিয়ামেন্ট মীফমদা মমি অমা তাহল্লবা য়াই।

মৈধ্য প্রদেস, রাজাষ্টান, ছতিসগর অমসুং টেলঙ্গনা অমসুং মিজোরাম এসেমব্লি মীখলশিংগী ফল দিসেম্বর ১১দা লাওথোক্কদবনি।

ওপোজিসনগীদমক্তি হাউসতা গভর্ণমেন্টকী মথক্তা চৈথেঙ পীহৌনবগীদমক মসিনা অরোইবা তাঞ্জানি। মখোয়না রাফেল দিল, ফার্ম সেক্টরগী অৱাবা, সি বি আইগী থবক খুত্তৌ, অসিগুম্বা হিরম কয়ামুক পুখৎলবা য়ারি।

ইন্দিয়াগী পালিয়ামেন্টতা মীফম পাংথোকপা খুদিংমক্তগা অয়াম্বা মতমদা ওপোজিসন অমসুং রুলিংগগী মরক্তা ইরাং থোকপা, ওপোজিসননা মখোয়না পুখৎপা ৱাফম খন্ননবা পুখৎপা মদু য়াদ্রগনা ইরাং হৌদুনা মীফম চত্থবা য়াহন্দবনচিংবা কয়া থোকই।

# প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা খৃষ্টমাষ্ট নুমিৎতা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী শাংবা রেল–রোদ ব্রিজ শঙ্গারগনি



*ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ২৮ঃ*
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা খৃষ্টান লাইনীং চৎপশিংগী খ্বাইদগী চাওবা ফেষ্টিবেল খৃষ্টমাস নুমিৎতা বোগিবীল ব্রিজ কৌবা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী শাংবা রেল–রোদ ব্রিজ অদু শঙ্গারগনি হায়না ইন্দিয়ান রেলৱেজগী মকোক থোঙবা ওফিসিলে অমনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী শাংবা রেল–রোদ ব্রিজ অসিনা ব্রহ্মপুত্র তুরেনগী অৱাংথঙবা তোর্ব্বানগা খা থংবা তোর্ব্বানগা শন্নহনগনি। ব্রহ্মপুত্র তুরেলগী তোর্ব্বান অনী অসি অসাম অমসুং অরুনাচল প্রদেশকী নোংপোক থঙবা শরুক্তা লৈ। থোং অসি কিলোমিটর ৪.৯৪ শাংই হায়না সেনিয়র রেলৱে ওফিসিয়েল অদুনা হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়রিবা থোং অসি গভর্ণমেন্টনসু গুদ গভর্ণনান্স দে হায়না কৌরিবা দিসেম্বর ২৫দা শঙ্গাগনি হায়না ওফিসিয়েল অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ঐচ দি বেবেগৌরানা ১৯৯৭গী জনুৱারী থাদা বুগীবিল ব্রিজ অসিগী ফাউন্দেসন ষ্টোন অদু য়ুঙবিরম্বনি। অদুবু অতল বিহাররি বাজপায়ীনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরবা মতমদা মহাক্না এপ্রিল ২০০২তা থোং অসি শাবগী থবক অদু হৌদোকখি অমসুং মতম অদুদগী থোং শাবগী থবক অদু হৌখি।

হৌখিবা চহি ১৬ হেনবগী মতম অসিদা থোং অসি শাবা লোয়শিন্নবগী থাখিবা মতম কয়ারক হন্না হেন্দোকখ্রে অমসুং শাবা লোইশিনবা ঙমখিদ্রে। অদুবু দিসেম্বর ৩দা থোং অসিগী মথক্তা অহানবা ফ্রৈইত ট্রেন অদু চেনখ্রে।

বোগি বিল ব্রিজ অসি অরুনাচল প্রদেসতা লোজিষ্টিক্স হেন্না ফগৎহন্নবা ইন্দিয়ানা থৌরাং তৌখিবা ইনফ্রষ্ট্রকচর প্রোজেকশিংগী শরুক অমনি।

হায়রিবা ইনফ্রষ্ট্রকচর প্রোজেকশিং অদুগী মনূংদা ব্রহ্মপুত্র তুরেনগী অৱাং থংবা তোর্ব্বানদা ট্রান্স– অরুনাচল হায়ৱে অমা শেম্বগী থবকসু য়াওরি। মসিদা নৎত্তনা চাউরবা তুরেন দিবঙ, লোহিত, সুবনশিরি অমসুং কমেঙ গুম্বা মরুওইবা তুরেল মশাশিংগী মথক্তা অনৌবা রোর্দ অমসুং রেল লিঙ্কশিং শেমগৎপসু য়াওরি।

# ইন্দিয়ান ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স, বেঙ্গালুরুগী লেবোলেটোরিদা পোকখাইবদা রিছার্চর ১ শিখ্রে



*বেঙ্গালুরু, নবেম্বর ২৮ঃ*
বেঙ্গালুরুদা লৈরিবা ইন্দিয়ান ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স নৎত্রগা আই আই এসসিদা পোকখাইবগী থৌদোক অমদা রিছার্চর অমা শিখ্রে অদুগা অতোপ্পা ৩ অরুবা ফিভমদা শোকখ্রে।

থৌদোক অদু নুংথিল পূং ২.২০ লোম তাবা ইষ্টিট্যুট অদুগী এরোস্পেস অমগী লেবোরেটোরিদা হায়দ্রোজেন সিলিন্দর অমা পোকখাইবদগীনি হায়না চীংনৈ।

পোকখাইবগী শাফু অদু অসুক্কী মতিক কল্লী মদুদি রিছার্চর ৪ অদু লাক্কুনা লঙথোরকখি। মখোয়গী মনূংদগী অমদি ফুট ২০ লোম লাপ্পা লৈমায়দা তাখি হায়না সাইন্স ইনষ্টিট্যুট অদুদা সেক্যুরিটি মথৌ তৌরিবা মীওই অদুনা পাউগী এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

নূংথিল পূং ২.২০ লোম তাবদা পোকখাইবগী থৌদোক অমা থোকখি। ইঞ্জিনিয়ার অমা ফুট ২০ লোম লাপ্পা লঙথোরকখি অমসুং মহাক খুদক্তা শিখি। থৌদোক অদুদা অরুবা ফিভমদা শোকখিবা মীওই ৩ হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। ইন্দিয়ান ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স বেঙ্গালুরুদা অসিগুম্বা মওংগী থৌদোক অমা থোকপসি মসিনা অহানবনি হায়না মহাক্না হায়খি।

শোক্লবা রিছার্চরশিং অদু মশাদা মৈনা চাকপা অমসুং শরত তেকপনচিংবা য়াওনা মফম কয়াদা থিনা শোকখি। মখোয়বু অনকপা হোস্পিটাল অমদা পুখি মফম অদুদা সরজরি অমসুং ইন্টেনসিফ কিয়ার মথৌ তাগনি। ফোরেসিক সাইন্স লেবোলেটোরিনা পোকখাইবগী থৌদোক অদু থোরকপগী মরম অদু খঙনবা য়েঙশিনলি।

রিছার্চরসরশিং অদু সুপর–ৱেব টেক্লোলোজি প্রাইভেট লিমিটেদকীনি। হায়রিবা কম্পেনি অসি ইন্দিয়ান ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্সনা পায়খৎপা থবক অমনি। দিপার্টমেন্ট ওফ এরোস্পেসকী ইঞ্জিনিয়ারীংগী প্রোফেসারশিং ওইরিবা প্রোফেসার কে পি জে রেদি অমসুং প্রোফেসার জি জগদিসনা দাইরেক্তরশিং ওইনা মেনেজ তৌরি হায়না মসিগী ৱেফসাইটনা হায়রি।

ৱেফসাইট অদুনা মখাতানা ফোঙদোকপদা কম্পনি অসিনা সোফৱেবস হিরম কয়াদা মসিগী শিজিনফমগী মরমদা রিছার্চ চত্থরি অমসুং পেটেন্ট কয়ামরু ফঙখ্রে হায়খি।

১৯০৯দা লিঙখৎখিবা ইন্দিয়ান ইনষ্টিট্যুট ওফ সাইন্স অসি সাইন্স অমসুং ইঞ্জিনিয়ারিংদা এদভান্স এদুকেসন অমসুং রিছার্চকী লৈবাক অসিগী মাঙজিন থাবা ইনষ্টিট্যুটসন অমনি।


## /URGENTLY WANTED

| POST | VACANCY | PREFER | SALARY |
|---|---|---|---|
| Helper/Nannies | 50 | Meitei / Tribal | 3500-5500 |

**Contact no. : 9862780781 & 8416065510**

**Time : 10:00 a.m. - 4:00 p.m.**

*SL/1194/Upto 24 December2018*


# রাসিয়ানা কোল্ড ৱার আর্মস ট্রিটি থুগাইবগী খুদম লৈতেঃ ৱ্লাদিমীর পুটিন





*মোস্কো, দিসেম্বর ৫ঃ*
ময়াই ওইরপ শানবা ন্যুক্লিয়ার খূৎলাইশিংগী অকক্নবা ঙমখে অমা থম্বা মরুওইবা কোল্ড ৱার ট্রিটি অমা রাসিয়ানা থুগাই হায়না য়ু এসনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুবু প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমি পুটিননা ঙরাং য়াখিদ্রে অমসুং সেনিয়ার জেনরেল অমনসু ৱাসিংতননা হোৎনরিবদু মোস্কোবু লাক্লিনবনি হায়না চৈখ্রে।

অকনবা উংখৎনবগী ৱাঙাংশিং অসি য়ু এস কী সেক্রেটরী ওফ ষ্টেট মাইক পোম্পীয়োনা ট্রিটি অদু থুগাই হায়না য়ু এসনা হায়রিবা মিসাইলশিং অদু রসিয়ানা শিদোকত্রবদি নুমিৎ ৬০নীগী মনূংদা ইন্টরমেদিয়েৎ– রেঞ্জ ন্যুক্লিয়ার ফোর্সেস ট্রিটি অদুদগী ৱাসিংতননা থোক্লগনি হায়খিবা অদুগী নোংমগী মতূংদনি।

অমেরিকাগী নাকন্না ট্রিটি অদুদগী তোক্লবগী মখোয়গী অনীংবা অমদু হান্না হায়খ্রে। মদুগী মতূংদা কোন্না মখোয়না তৌরিবা অদু চুম্মী হায়নবগী মরম য়েঙবা হৌরকখ্রে হায়না রসিয়ান নিউজ এজেনসিশিংনা ফোঙবা পাউশিংদা প্রসিদেন্ট পুটিননা হায়খি। য়ু এসনা হায়রিবা ৱাফম অদু চুমহনবগী অহানবা ওইনা হায়রিবদি ঐখোয়না করিগুম্বা খরা থুগাই হায়বিসিনি। অদুবু ঐখোয়গী নাকন্না ট্রিটি থুগাইবগী খুদম চাংদম অমত্তা মখোয়না পীবা ঙমদে হায়না প্রসিদেন্ট পুটিননা মখা তাখি।

ওক্টোবর থাদা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল ট্রম্পনা দিল অদুদগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা তোক্লগনি অমসুং মীওইশিং অদুনা মখোয়গী ৱাখল তারকত্রিবা ফাওবা অমেরিকাগী ন্যুক্লিয়ারগী খূৎলাই পূক্কে শাগৎলগনি হায়না লাওথোক্কুনা মালেমগী নূংনাংবা অমা পোকহনখিবনি। অদুবু নিংথৌকাবা নুমিৎতদি য়ু এস লূচিংবা অদুনা অচৌবা অমসুং লাকশিনবা ঙমলোইদবা খূৎলাই লমজেন তান্নবা ময়োক্নদনবা মহাক্না পুটিন অমসুং চিনাগী প্রসিদেন্ট জি জিনপিংগা ৱারী শানবা পাম্মী হায়খি।

মরক অসিদা রাসিয়ান আর্মি চীফ ওফ ষ্টাফ বেসিলি গেরাসিমোনা মখোয়গী গ্রাউন বেজ ষ্ট্রেটেজিক ন্যুক্লিয়ার আর্মশিংগী কেপাবিলিটিশিং মোস্কোনা হেনগৎহল্লগনি হায়খি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট রেনেল রিগান অমসুং অরোইবা সোভিয়েট লূচিংবা মীখাইল গুরবাচেটনা ১৯৮৭দা সহি তৌখিবা ইন্টরমেদিয়েট রেঞ্জ–ন্যুক্লিয়ার ফোর্সেস –ট্রিটি অদুনা নোংচুপ লৈবাকশিংগী কোনূংশিংদা পান্দম থমদুনা লৈবা সোভিয়েট ন্যুক্লিয়ার–টিফ বাল্লিষ্টিক মিসাইলশিংগী মতাংদা লৈরম্বা ৱাথোক অমা লোইশিনখি। অদুবু মদু য়ু এস অমসুং মতমদুগী সোভিয়েট য়ুনিয়নগা অনীগী মরক্তা তৌনবা বাইলেটরেল ট্রিটি অমনি। মরম অদুনা চিনাগুম্বা অতোপ্পা অচৌবা মিলিটরি এক্টরশিংগী মথক্তা ট্রিটি অসিনা অথিবা থমদে।

মোসকোনা নোভাটোর–৯ এম ৭২৯ মিসাইলশিং থম্বা অদু কিলোমিটর ৫০০ অমসুং ৫৫০০ ফাওবা শান্না কাপ্পা ঙম্বা মিসাইলশিংগী মথক্তা থল্লিবা ট্রিটি অদুগী মখাদা লৈ হায়দুনা য়ু এস কী ফমিনিষ্ট্রেসননা ৱাকৎখিবনি।

ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই পুবাঙম্বা রসিয়াগী ক্রুজ মিসাইলশিং ইরাই লাইনা পুথোক পুশিন তৌবা য়াই অমসুং মদু খঙবদা লূই। লোয়ননা হান্না মাঙজৌননা খঙহৌদনা য়ুরোপকী সিটিশিংদা থাবা ঙম্মী হায়না নেটোনা হায়।

# য়ু এস পিস এনভোয় উন্নবা তূং ইমরান খান্না অফগান ৱার লোয়শিনবদা তেঙবাংনবা লেপখ্রে



*ইস্লামাবাদ, দিসেম্বর ৫ঃ*
পাকিস্থান প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খান্না ঙরাং য়ুমশকৈশা নুমিৎতা য়ু এস পিস এনবোয় অমগা উন্নখ্রে অমসুং য়ুমথঙনবা অফগানিষ্টানদা থোক্লিবা মতম শাংলবা লান অসিগী পোলিটিকেল ৱারোইশিন অমা পুরক্নবা হোৎনবদা মাগী মতেঙ পীগনি ৱাশকখ্রে।

অফগানিষ্টানদা য়ু এস স্পেসিয়েল রিপ্রেজেনটেটিফ জলমে খালিলজাদনা ইস্লামাবাদতা লাকখিবদু তালিবান লালহৌবশিংগা নোংচুপ লৈবাকশিংগা শৌগৎপা অফগান গভর্ণমেন্টকা অনীগী মরক্তা থোক্লিবা চহি ১৭ শুরবা লান লোয়শিন্নবগী উপাই অমা ফংনবা য়ু এস প্রসিদেন্টনা পাকিষ্টানগী মতেঙ পীনবা হায়জরকখিবগী মতূংদনি।


জোর্জ দবলিয়ু বুসকী অফগানিষ্টান, ইরাক অমসুং য়ুনাইটে নেসন্সতা এম্বেসেদর ওইনা থবক তৌরকখিবা অফগানিষ্টানদা পোকপা য়ু এস দিপ্লোমেট অমা ওইরিবা খালিলজাদবু অফগানিষ্টানদা শান্তি পুরক্কবা নেগোসিয়েট তৌনবা স্পিসিয়েল এনভোয় অমা ওইনা থা ৩ মমাঙদা ট্রম্পনা হাপখিবনি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা পোলিটিকেলগী ৱারোইশিনগী খূৎথাংদা অফগানিষ্টানদা শান্তি অমসুং অমুক হন্না য়াশিন্নবা পুরকপদা পাকিষ্টানগী লেঙদবা অপাম্বা লৈ হায়বদা অমুক্কা হেন্না চেৎনা পনখি হায়না ইমরান খানগী ওফিসিয়েলগী ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি।

ওফিসিয়েল ওইনদি পাকিষ্টান অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেট অনীমক টেরোরিজম থেঙনরি। অদুবু লৈবাক অনী অসি হন্দক মরী ফৎনখিদে।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা হৌজিকসু অফগানিষ্টানদা য়ু এস লান্মী লিশিং ১৪ থল্লি। লান্মীশিং অসিগী মথৌ তাবশিং পীনবগীদমক ৱাসিংতননা পাকিষ্টানদা তাংজবা তাই। অদুবু ইস্লামাবাদপু মমায় অনী লোঙবা লিলা শান্নে হায়না মরাল শিরুবদগী য়ু এসকা মরী ফৎনখিদবনি।

# অলবর্ট আইনষ্টাইননা খূৎনা ইবা 'গোদ লেট্টর' দোল্লর মিল্লিয়ন ২.৯ শিৎতুনা য়োনখ্রে



*ন্যু য়োক, দিসেম্বর ৫ঃ*
অলবর্ট আইনষ্টাইননা মহাক্না লাইনীংগী ৱাখল্লোনগী মতাংদা ফোঙদোকপা মখূৎ মক্না ইবা চিঠি অমা হান্না শিৎপা য়াই হায়না ফোঙদোকখিবা মমলদগী য়ান্না হেন্না শিৎতুনা দোল্লর মিল্লিয়ন ২.৯ লোমদা য়োনখ্রে।

১৯৫৪দা ইখিবা 'গোদ লেট্টর' হায়না কৌনরিবা চিঠি অদু ন্যু য়োক্তা ক্রিষ্টিজ রোকফেল্লর সেন্টর ওক্সনদা দোল্লর মিল্লিয়ন ১.৫ শিৎকনি হায়না খল্লম্বনি।

নোভেল প্রাইজ ফঙখিবা সাইন্টিষ্ট অসিনা, মতমদুদা মশাগী চহি ৭৪ শুবদা জর্মন ফিলোসোফর এরিক গুদকিনদা মহাক্কী লাইরিকশিংগী মনূংদগী লাইরিক অমগী পাউখুম ওইনা লম্মাই অমগা মখাইগী নোট অদু ইখিবনি। মদু সাইন্স অমসুং রিলিজনগগী মরক্তা চত্থবা দিবেটতা মরুওইবা ষ্টেটমেন্ট অমা ওইনা লৌনরি।

ওহোক্লা মশক থোক্লা ময়েক শেঙনা ইরবা লনাইগী চিঠি অসি অলবর্ট আইনষ্টাইন শিগদবগী চহি অমগী মমাঙদা ইরম্বনি অমসুং মসিদা মহাক্কী রিলিজিয়স অমসুং ফিলোসোফিকেল ভিয়ুশিং খ্বাইদগী হেন্না মপূং ফানা ফোঙদোকপা ওইনা লৈরি হানা কৃষ্টিজদগী থোকপা ষ্টেমেন্ট অমনা হায়রি। গোদ হায়বা ৱাহৈ অসি ঐঙোন্দদি করিসু নৎতে মসি মীওইবগী অশোনবগী পোখোক অমসুং মদু ফোঙদোকপনি হায়না অলবর্ট আইনষ্টাইননা ইরি।

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1356**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 5 | | | | | 1 | 6 | | 2 |
| | | 7 | 2 | | | | 8 | 3 |
| | 6 | 1 | 3 | | | 5 | | |
| | | | | 8 | 4 | 3 | 2 | |
| 1 | | | | | 3 | | 7 | |
| 3 | 2 | | | | 6 | | 1 | |
| | 3 | | 6 | | | | 5 | |
| 8 | | 2 | | 3 | | | 6 | |
| 6 | | | | 1 | | | 3 | |

**সনা–সুদোকু –১৩৫৫ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 7 | 6 | 8 | 1 | 3 | 2 | 9 | 5 |
| 1 | 3 | 9 | 6 | 2 | 5 | 7 | 4 | 8 |
| 2 | 8 | 5 | 9 | 7 | 4 | 3 | 1 | 6 |
| 6 | 2 | 8 | 5 | 9 | 7 | 1 | 3 | 4 |
| 5 | 4 | 7 | 3 | 6 | 1 | 8 | 2 | 9 |
| 9 | 1 | 3 | 4 | 8 | 2 | 6 | 5 | 7 |
| 7 | 5 | 4 | 1 | 3 | 8 | 9 | 6 | 2 |
| 3 | 6 | 2 | 7 | 4 | 9 | 5 | 8 | 1 |
| 8 | 9 | 1 | 2 | 5 | 6 | 4 | 7 | 3 |

## GAS TODAY

**Hrangchal Gas**
Booking upto : 25/10/18
Valid from : 22/10/18
Stk : 306

**Maibia Gas Moirang**
Booking upto : 04/10/18
Sl. No. : 1380
Valid from : 03/10/18
Sl. No. : 0851
Stk : 306
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Misao Gas Service**
Booking upto : 26/10/18
Valid from : 18/09/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Porompat Indane Gas**
Booking upto : 02/11/18
Valid from : 04/10/18
Stk. : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**M. M. Gas**
Booking upto : 19/10/18
Valid from : 13/10/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**Athokpam Indane**
Booking upto : 16/10/18
Valid from : 04/10/18
Stok : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m.

**R & H Indane**
Booking upto : 18/10/18
Valid from : 21/09/18
Stk : 612
Time : 08.00 to 11.00 a.m.

**Khoriphaba Gas Nambon**
Booking upto : 24/09/18
Valid from : 19/09/18
Stk : 306
Sl. No. : 7948 to 8244
Time : 07.00 to 09.30 a.m.

**HEingang Indene**
Booking upto : 22/11/18
Valid from : 13/11/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m.

**G B D Gas , Lamlong**
Booking upto : 02/10/18
Valid from : 12/09/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m.

**Patsoi Gas**
Booking upto : 30/09/18
Valid from : 20/09/18
Stk : 306
Sl. No. : 178
Time : 07.00 to 11.00 a.m.

**Manipur Gas**
Booking upto : 08/10/18
Valid from : 02/10/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 09.30 a.m.

**J Rongmei Gas wangoi**
Booking upto : 22/10/18
Valid from : 20/10/18
Stk : 306
Time : 06.30 to 09.30 a.m.

**Lambudara Indane**
Booking upto : 01/11/18
Valid from : 22/10/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.00 a.m.

**Jemon Gas, Singjamei**
Booking upto : 08/10/18
Valid from : 13/09/18
Sl. No. : 31200
Stk : 612
Time : 07.00 to 09.00 a.m.